## টলিবান মেম্বরশিংনা লিদর উনখ্রে

কাবুল, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

টালিবানগী মেম্বরশিংনা পাকিস্থানি সিটি ক্বেটাদা গ্রুপ অসিগী তোপ লিদর মুলাহ হিবাতুলাহ অখুন্দজদাগা উনদুনা যু এসকা সীজফায়র অমা পুরকপা য়াবগী ৱাফম খন্নখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

উনবা অদুদা দোহাদা লৈবা টালিবানগী ওফিসকী দেলিগেসন অমসু য়াওখি। মখোয়না সীজফায়রগা মরী লৈনবা অরোইবা ৱারেপ অদু দোহাদা যু এসকী মায়কৈদা পাউদমগনি হায়রি।

## মীচম ৩৫ হাৎখ্রে

ঔগাদৌগৌ, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

চহী মঙারোমগী মনুংদা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক বুর্কিনা ফাসোদা থোকপা লালহৌবশিংনা এটেক তৌবগী খ্বাইদগী শাথিবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা লমদমদা জিহাদিসশিংনা মফম অনীদা মতম অমত্তদা চথখিবা এটেকশিংদা অয়াম্বনা নুপীশিং ওইদুনা মীচম ৩৫ শিখ্রে।

## ত্রিপোলিনা হায়জবদগী টর্কিনা লিবিয়াদা লান্মী থারগনি



অঙ্কারা, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

ত্রিপোলিনা হায়জরকপদগী টর্কিনা লিবিয়াদা য়াম্না থুনা মথং থা ফাওবগী মনুংদা টর্কিস ট্রুপশিং থারগনি হায়না প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগান্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লিবিয়াগী মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ)না লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থা কয়ামুক জেনরেল খালিফা হাফটরগী ফোর্সশিংনা চথরিবা ওফেন্সিপ মায়োক্নরক্লি। হাফটরগী ফোর্সশিং অদু রসিয়া-ইজিপ অমসুং য়ুনাইটেদ ইমরেটসনা শৌগৎলিবনি।

হৌখিবা থাদা অঙ্কারানা ফয়েজ অল-সেরাজনা লুচিংবা জি এন এগা তোঙান তোঙানবা একোর্দ অনী সাইন তৌনখি। একোর্দ অমদি সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি কোওর্পোরেসনগী মতাংদনি অদুগা অমনা ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়নদা মারিটাইম বাওন্দরিশিং লেপ্পবগী মতাংদনি।

হৌজিক লিবিয়াগী মায়কৈদগী ঐখোয়দা লান্মী ট্রুপশিং থারক্নবা হায়জরক্লে। ঐখোয়নসু মদু য়ারে হায়না ইর্দোগান্না মহাক্কী এ কে পার্টিগী মেম্বরশিংদা পীবা স্পীচতা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম হেক হৌবগা লিবিয়াদা ট্রুপ থানবগী বিল পুথোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না লেজিসলেসন অদু জন্যুৱারি ৮-৯দা পাস তৌরগনি। চয়োল কয়ামুক চুপ্পা অঙ্কারানা ত্রিপোলিদা টর্কিস ফোর্সশিং থাবগী ৱাফম খন্নদুনা লাকখিবনি। অঙ্কারানা ত্রিপোলিদা লান্মী থাবা তারবদি মদু টর্কিস ফোর্সশিংগী অতেনবা মতমগী মনুংদা পাঙথোকপা অনীশুবা মিলিটরি কেম্প্যেন ওইগদৌরিবনি।

থা অহুমগী মমাংদা টর্কিনা কর্দিস মিলিস্যা অমগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্টর্ন সিরিয়াদা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা চথখ্রবনি।

যু এনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না লিবিয়াদা খুৎলায় পীবা নৎত্রগা থাবদা অথিংবা লৈদুনসু টর্কিনা জি এন এদা মিলিটরিগী আইটেম কয়ামরুম থাখ্রবনি। ইর্দোগানগী ৱাফম অসিগী মতাংদা ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা হাফটরগী ফোর্সশিংনা খুদক্কী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা ইর্দোগান্না তুনিজিয়াদা চত্তুনা লিবিয়াদা সীজফায়র পুরকপগী ৱাফম খন্নখি। শগোলশেল নুমিত্তনা মহাক্না টর্কি অমসুং তুনিজিয়ানা জি এন এ শৌগৎনবা লেপ্পরে হায়না ফোঙদোকখি।

## ফিলিপিন্সতা টাইফুননা মীওই ১৩ শিহনখ্রে



মানিলা, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

খৃষ্টমাস মনুংদা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন অমা ফিলিপিন্সকী ময়াই থংবা শরুক্তা শীৎচিল্লকখিবগা লোয়নননা য়ামদ্রবা মীওই ১৩ শিখ্রে হায়না দিজাষ্টর এজেন্সিগী ওফিসলশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

টাইফুন ফানফোন লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা পুংদা কিলোমিটর ১২০ য়াংবা নুংশিৎশিং লোয়নদুনা ফিলিপিন্সতা য়ৌরকখিবগা লোয়নননা মফম কয়াদা নোং কন্না চুহনখি অমদি ঈচাও থোকখি।

য়ুম-কৈ কয়া পাক শন্না মাঙহনখিবা শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু থুংলিদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ওথোরিটিশিংনা মীওই ৫৮,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি।

মীওই ১৫,০০০ হেন্না ফিলিপিন্সকী হিথাংফম কয়াদা ফেরি সর্ভিসশিং লেপখিবনা মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈনখি। ফ্লাইট কয়াসু কেন্সেল তৌখি।

ফিলিপিন্স নেসনল দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন এন্দ মেনেজমেন্ট কাউন্সিলনা ফোঙদোকখিবদা, ইলোইলোদা মীওই ৯ শিখি অমসুং কাপিজদা মীওই ৪ শিখি। য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ৬ থিবা খঙদবা লৈরি। ভিক্তিমশিং অদুগী মনুংদা চহী ১৩ গী নুপামচা অমদি মৈনা চিদুনা শিখিবনি। নুপা অমনা উগী মশা অমনা ননবদগী শিখি অমসুং অতোপ্পা অমনা কার এক্সিদেন্টতা শিখিবনি হায়রি।

## জপানদা শিবগী চৈরাক ফংলবা চাইনিজ নুপা অমা হাৎখ্রে



টোকিয়ো, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

চহী কয়ামুক্কী মনুংদা মরালগী মতুং ইন্না জপানদা ফোরেনর অমা হাৎপগী অহানবা থৌদোক ওইনা ইমুং অমগী মীওই ৪ হাৎখিবগী মরালদা কনভিক্ট তৌরবা মশাগী চহী ৪০ শুরবা চাইনিজ নুপা অমা শগোলশেল নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রে হায়না জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ৱৈ ৱৈ কৌবা চাইনিজ নুপা অদুনা ইমুং অমগী মীওইশিং অদু কুমজা ২০০৩গী ময়াই চল্লকপদা হাৎখিবনি। ক্রাইম অদুদা মহাকপু অতোপ্পা চাইনিজ নেসনল অনীনা মতেং পাংখি।

অতোপ্পা মীওই অনী অদু চাইনাদা চেনখি অমসুং মখোয়বু চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফাখি। মখোয় অনীগী মনুংদা অমনা কুমজা ২০০৫ তা চাইনাদা শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখি অমসুং অতোপ্পা অমদুনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি হায়রি।

জপান অসি চাওখৎলবা লৈবাক তরেৎকী গ্রুপতা য়াওবা শিবগী চৈরাক পীবা চৎনরিবা লৈবাক অনীগী মনুংদা অমনি। গ্রুপ অসিদা য়াওরিবা শিবগী চৈরাক চৎনরিবা অতোপ্পা লৈবাক অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনি। জপানদা প্রিজনরশিং মহৌশানা থৌরী য়াল্লগা হাৎলি অমসুং শিবগী চৈরাক ফংলবা মীওইশিং মখোয়বু হাৎকদৌরিবা নুমিৎ অদুগী অয়ুক্কী মতম য়ৌদ্রিফাওবদি চৈরাক অদু খঙহন্দবগী চৎনবী লৈ। হৌজিক জপানদা প্রিজনর ১২০ শিবগী চৈরাক ফংদুনা তোঙান তোঙানবা মতমশিংদা হাৎননবা লেপখ্রবনি। হৌখিবা চহীদা পুন্না প্রিজনর ১৫ হাত্তুনা চহী ১০ মুক্কী মনুংদা প্রিজনরশিং খ্বাইদগী হাৎপা মশিং ওইখি।

মীওই ১৫ দুগী মনুংদা ১৩ দি টোকিয়োগী সবৱেদা সরিন গ্যাস এটেকশিং চথখিবগীদমক কনভিক্ট তৌখিবা অওম সিনরিকিয়ো দুমসদে কল্টকী হান্নগী মেম্বরশিংনি। জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিত্তা চাইনিজ নুপা অমা হাৎলিবসি কুমজা ২০১২ তা সীঙ্গো অবেনা অমুক হন্না পৱার পায়রকখিবা মতুংদা পাঙথোকপা ৩৯শুবা এক্সিক্যুসননি হায়রি।

## চাইনানা টাইৱান ষ্ট্রেটতা অনৌবা এয়রক্রাফট করিয়র থৌজিনখ্রে

তাইপৈ, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

চাইনানা লৈবাক অসিগী এয়রক্রাফট করিয়র টাইৱান ষ্ট্রেটতা থুজিনখ্রে হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

বৈজিংগা কন্না উংখৎনবা লৈনা-লৈনা ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখলগী কেম্প্যেন মপুং ফানা চথরিঙৈদা ষ্ট্রেট অদুদা চাইনাগী করিয়র গ্রুপ থৌজিনখিবনি। দেম্মক্রেটিক টাইৱানবু চাইনানা ক্লেম তৌবগা লোয়নননা তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নবসু য়াবা লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌরিবনি।



টাইৱানগী ৱাফম অসি চাইনিজ কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিগী খ্বাইদগী লুবা ইশ্যু অমা ওইরিবনি। করিগুম্বা টাইৱান্না হৌনবী মতুং ইন্না নীং তম্নবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লকপা তারবদি ইথৎ অসিদা লান্দাগনি হায়না চাইনানা কিহনবা লৈখ্রবনি।

টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ভোট জন্যুৱারি ৩১ দা পাঙথোক্কদৌরি। প্রসিদেন্ট সাই-ইং-ৱেননা অমুক হন্না মায় পাক্কুনা টার্ম অমগসু মখা তানা পায়খিগনি হায়না থাজরিবনি। চাইনানা লেপ্তুনা কিহল্লক্লি হায়না মহাক্না ভোটরশিংদা ৱা ঙাঙবদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।

সাইনা চাইনাগা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি কায়হন্দনা মেন্টেন তৌবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকচরবসু ইথৎ অসিগী সিক্যুরিটি অমসুং দেম্মোক্রেসি ঙাক শেনগনি হায়নসু থেংখাং কয়াদা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

মহাক্কী রুলিং দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি অসি মরু ওইনা ইথৎ অসিনা চাইনাদগী নীং তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎপা পার্টিনি। টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনিজ করিয়র সান্দোং ষ্ট্রেট অসিদা অৱাং পাংনা থৌশিল্লক্লে। করিয়র গ্রুপ অসি ফ্রীগেটশিংনা মতুং ইন্নরকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা জহাজশিং অদু চপ চানা করম্বা মতমদা ষ্ট্রেট অদুদা চঙলকখিবগে হায়বদি পনখিদে। নাকল অনীনা ষ্ট্রেট অদুগী অকোয়বদা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লৈহন্নবা হোৎনবা অমদি মীয়ামগী নুংঙাই-য়াইফনবগীদমক হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাংনি হায়না টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

## চাইনা, রসিয়া, ইরাননা জোইন্ট নেভেল দ্রিলস পাঙথোক্লগনি



বৈজিং, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

চাইনা, রসিয়া অমসুং ইরান্না ইনিদয়ন ওসিন অমসুং সী ওফ ওমানদা ইরাই নুমিত্তগী জোইন্ট নেভেল দ্রিলস হৌরগনি হায়না চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অহুমগী মরক্তা পুন্না নেভেল দ্রিলস পাঙথোকমিন্নবগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা জোইন্ট নেভেল দ্রিলস অদুদা চাইনানা লৈবাক অসিগী গাইদেদ মিসাইল দিষ্ট্রোইয়র অমা ওইরিবা সিনিং থাগনি। নেভেল দ্রিলস অসি লৈবাক অহুমগী নেভিশিংগী মরক্তা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱু কিয়াননা ন্যুজ ব্রেফিং অমদা ফোঙদোকখি।

দ্রিলস অদু আর্মদ ফোর্সেস অহুমগী মরক্তা থাংলকপা নোর্মেল মিলিটরি এক্সচেঞ্জগী খোঙথাং অমনি অমসুং মসি ইন্টরনেসনল লো অমসুং প্রটিক্সকা চান্নে হায়না ৱুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না লৈবাক অহুমগী নেভেল দ্রিলস অসি লমদম অদুদা লৈরিবা ফিভমগা মরী লৈনদে হায়নসু পনখি। সী ওফ ওমান অসি মালেমগী থাউ অপুন্বগী শরুক মঙা থোকপগী অমা পুথোক পুশিন তৌরিবা অরাবিয়ন গল্ফকা শম্নবা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজকা শম্নবা মরম্না মরু ওইবা ঈশিং লম্বী অমনি হায়না লৌনৈ।

নেভেল দ্রিলস অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরানগা কন্না উংখৎনবা লৈরিঙৈদা মরক্তা পাঙথোকপসু ওইরি। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু হৌখিবা চহীদা কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক তরুক্কা ইরানগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী লৌথোকপগা লোয়নননা টেহরানগী মথক্তা অমুক হন্না শেল-থুমগী অথিংবা কয়া থমজিনখিবদগী ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

সাউদি টেঙ্করশিং য়াওনা গল্ফকী ঈশিংগী শরুকশিংদা ইন্টরনেসনল মার্চেন্ট ভেসেলশিংদা এটেক কয়া চথখিবা মতুংদা ৱাশিংটননা লমদম অদুদা যু এসনা লুচিংবা নেভেল মিসন অমা থম্বগী ৱাফম হৌদোকখিবনি।

## এম্বেসি লাঙ্গোই চনখিবগী থৌওং মেক্সিকোনা কন্দেম তৌখ্রে

মেক্সিকো সিটি, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :



হৌখিবা থাদা পোলিটিকেল চঙজফম নিখিবা বোলিভিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ইবো মোরালিসকী গভর্নমেন্টকী ওফিসল ৯ লৈরিবা লৈবাক অসিগী কেপিটেল লা পাজদা লৈবা মেক্সিকোগী এম্বেসিবু পুলিসনা নুমিৎ নিনি চুপ্পা লাঙ্গোই চনবগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না মেক্সিকান গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মেক্সিকোগী গভর্নমেন্টনা বোলিভিয়াবু মালেমগী চৎন-পথাপশিং ঙাক্না চৎনবা, দিপ্লোমেটিক মিসনশিংদা চৎফম থোকপশিং চৎনবা অমদি কিহনবগী পোলিসি লেপ্পনবা অমুক হন্না দিমান্দ তৌরি। মেক্সিকান ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না ইন্টরিম প্রসিদেন্ট জেনাইল অনেজনা লুচিংবা বোলিভিয়ান গভর্নমেন্টনা লৈবা লৈবাক অসিগী এক্রেদিটেদ পর্সনেল অমসুং মেক্সিকান ষ্টেটনা প্রোটেক্সন পীদুনা লৈবা মীওইশিংগী মরক্তা পুলিস থাজিন্দুনা লাঙ্গোই চন্দুনা থম্বগী থৌওং চথরক্লে।

পোলিটিকেল চঙজফম পীবা হায়বসি ঐখোয়গী সোভরেন্টিগী মনুং চনবা ফোরেন পোলিসিগী থৌরাং অমনি। মসি পোলিটিকেলগী ওইবা ওফেন্স নৎত্রগা মরম খরদগী মীপুম খুদিংমক্না চঙজফম লৌনবা হোৎনবগী রাইট লৈ হায়না পল্লিবা ঐখোয়গী হ্যুমেন রাইটস পোলিসিগসু চান্নে হায়না মেক্সিকান গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারদুনা হৌজিক লা পাজতা মেক্সিকোগী দিপ্লোমেটিক প্রোপর্টিশিংদা মেক্সিকান ষ্টেটকী প্রোটেক্সন মখাদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওই ৯ ইন্টরনেসনল লোগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিনা ঙাক শেল্লিবনি হায়নসু পনখি।

হান্নগী প্রসিদেন্সিএল চীফ ওফ ষ্টাফ জুৱান রামোন ক্বিন্টানা অমসুং হান্নগী কলচর মিনিষ্টর ৱিলমা অলানোকা য়াওনা হৌজিক্কী রেজিমগী মখাদা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং মায়োক্নরিবা বোলিভিয়ান গভর্নমেন্টকী ওফিসল ৪ হৌখিবা নবেম্বরদা মেক্সিকান এম্বেসিদা চেনশিনখিবা মতুংদা চঙজফম লৌখিবনি।

মেক্সিকান গভর্নমেন্টনা হায়রিবদি এরেষ্ট ৱারেন্টশিং অদু চঙজফম পীখ্রবা মতুংদা মেক্সিকান এম্বেসিদা খঙহল্লকখি হায়বসিনি।

## মাইগ্রেন্টশিং তোংবা হি ঈশিংদা লুপ্পদা মীওই তরেৎ শিরে

ইষ্টানবুল, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

মাইগ্রেন্টশিং তোংবা হি অমা টর্কিগী নোংপোক থংবা লমদমদা লৈবা লেক ভানদা লুপখিবগী থৌদোক্তা মীওই তরেৎ শিরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেটনা চল্লাইবা এনাদোলু ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মাইগ্রেন্টশিং তোংবা হি অদু লেক ভানগী অৱাং থংবা মপান্দা লৈবা ইষ্টর্ন টর্কিস সিটি বিটলিসকী অদিলসেভাজ দিষ্ট্রিক্ট মনাক্তা চৎলিঙৈ লোকেল মতমদা নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা ঈশিংদা লুপখিবনি হায়রি।

মীওই ৫ শিরম্বা থেংনখি অমসুং মীওই অনীনা হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি। অতৈ মীওই ৬৪ না রেস্ক্যু তৌদুনা মনাক নকপা হোস্পিটালশিং অমসুং সেল্টরশিংদা পুখি।

## কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা অমুক হন্না য়ু এসকী স্পাই প্লেনশিং পাইখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ২৬ (এজেন্সি) :

দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী লেপ্তুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌবগী অচৌবা থৌওং চথরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈরিঙৈদা য়ু এসকী স্পাই প্লেনশিং অমুক হন্না কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী অকোয়বদা পাইখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা এভিয়েসন ট্রেক্কর অমনা ফোঙ দোকখ্রে।

এয়রক্রাফট স্পোটসকী মতুং ইন্না আর সী ১৩৫এস কোব্রা বোল প্লেন অমা জপানিজ টেরটরি ওকিনৱাদগী পাইখ্রগা সাউথ কোরিয়াগী ইষ্ট সীদা সর্ভেলেন্স মিসন অমা পাঙথোকখি। অতোপ্পা আর সী ১৩৫ এস অমসু মতুং তারকপদা মফম অদুমক্তদা পাইখি হায়বগী থাজবা লৈখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1804/SDC/NBL of 2019**

1. Lairikyengbam Sharatchandra Singh, S/o (L) Nilakanta Singh of Nambol Sabal Leikai
2. -do- Hemachandra, S/o -do- of -do-
3. -do- Dinachandra, S/o -do- of -do-
4. -do- Nabachandra, S/o -do- of -do-
5. -do- Sonia Devi, W/o Gunachandra Singh of -do- *-Petitioners*

-Vrs-

(L) Lairikyengbam Nilakanta Singh, S/o (L) Joymangol Singh of Kongkham -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 26/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21 - Kongkham, P/No. 136 (Old), 325 (New), Dag No. 326, Area 0.22 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নং (১) (২) (৩) (৪) (৫) মখোয়গী মীংশিংদা ইংখোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5594/27

***Sd/- S. Dhiren Singh***
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 1082/SDC/IW(P) of 2019**

1. Taorem Samananda Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Changangei Uchekon
2. -do- Santosh Meetei, S/o (L) Ibomcha Meetei of -do-

*...Petitioners.*

-Vs-

Late Taorem Ibomcha Singh, S/o (L) Khomei Singh of Changangei *...O.P. Party*

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 26/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নম্বর ৯৬ (অরিবা), ২০১/১৯০০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১২৬৭/২৫৪০গী পোইন্ট ০.০৬১০০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো: পট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৪/০১/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

HL-P/5596/27

*Sd/-* **B.C. To S.DC/I W-1 (Patsoi)**

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 1806/SDC/NBL of 2019**

Leimapokpam Joykumar Singh, S/o L. Kishworkumar Singh of Leimapokpam Khunpham Awang Leikai *-Petitioners*

-Vrs-

(Late) Leimapokpam Kishworkumar Singh, S/o (L) Ningthou Singh of Leimapokpam -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 26/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam, Patta No. 501 (Old), 792 (New), Dag No. 1761, Area 1.04 acre of Phourel and Patta No. 762 (Old), 806 (New) Dag No. 1627 area 0.94 acre Taothabi Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/5594/27

***Sd/- S. Dhiren Singh***
***Sub-Deputy Collector, Nambol***

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 1081/SDC/IW(P) of 2019**

Khaidem Ningol Sanasam Ongbi Bhanu Devi, W/o Sansam Rajen Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak *...Petitioner.*

-Vs-

Late Khaidem Tomba Singh, S/o (L) Babudhon Singh of Lamjaotongba Moiranghanuba Leirak *...O.P. Party*

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 26/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর 83-Lamjaotongbaগী পাট্টা নম্বর 64/890 দাগ নম্বর 129/1090গী পোইন্ট .... একর চাওবা ইংখোল পোইন্ট .035 একর চাওবা লম অসিগী পট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৪/০১/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চৎথরগনি।

HL-P/5596/27

*Sd/-* **B.C. To S.DC/I W-1 (Patsoi)**